# অধির রঞ্জন চৌধুরিনা লোক সভাদা কোংগ্রেস পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী লুচিংবা ওইরগনি



ন্যু দিল্লি, জুন ১৮ (এজেন্সী):
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অধির রঞ্জন চৌধুরিবু লোক সভাদা কোংগ্রেস পার্লিয়ামেন্টরি পার্টি লুচিংবা ওইনা খনখ্রে। ফম অসি পায়নবা রাহুল গান্ধিদা কয়ারক হন্না হায়বদা য়ারকখিদ্রবা মতুংদা অধির চৌধুরিবু লোক সভাদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা ওইনা খনখিবনি।

য়ুনাইটেদ প্রোগেসিপ এলাইয়েন্স (য়ু পি এ)গী চেয়রপার্সনসু ওইরিবা সোনিয়া গান্ধি অমদি কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধি য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোংগ্রেস লুচিংবা অসিবু পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী লুচিংবা খনখিবনি।

লোক সভাদা থাখিবা চেরোল অমদা কোংগ্রেসনা হায়খি মদুদি, ওপোজিসনগী ওইনা সিঙ্গল লাজেষ্ট পার্টি ওইরিবা কোংগ্রেসকী অধির চৌধুরিনা মরু ওইবা সেলেক্সন কম্মিতিশিংদা য়াওদুনা পার্টিগী থৌদাং লৌরগনি। "ৱান নেসন ৱান ইলেক্সন" হায়বা ৱাফম খন্ননবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং কৌরিবা মীফমগী মতাংদসু কোংগ্রেসকী লুচিংবশিং কুপ্না খন্নখি।

লৈবাক অসিদা পাঙথোক্লিবা তোঙান-তোঙানবা মীখলশিং মতম অমত্তদা পুন্না পাঙথোকপগী ৱাফম কোংগ্রেসনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি।

হন্দক পাঙথোকখিবা জেনরেল ইলেক্সনদা মালিক আর্জুন খর্গে মায়থীখিবা মরম্না লোক সভাদা পার্টি অসিগী লুচিংবা মীওই অমা খন্নবগী মতাংদা থৌরাং লৌখৎলকপদা মেম্বর অয়াম্বনা রাহুল গান্ধিগী মমিং পুখৎলকখি। অদুম ওইনমক মীখলদা চাওনা মায়থীবা ফংখ্রবা মতুংদা রাহুল গান্ধিনা মরু ওইবা ফম অমত্তা পায়ররোই হায়রকখিবা মরম্না অতোপ্পা মীওই অমবু লুচিংবা ওইনা খনবগী মথৌ তারকখি।

আধির চৌধুরি, কেরলাগী কে সুরেস, পার্টিগী স্পোক্স পার্সন মনিস তিৱারি অমসুং টিরুবনন্থপুরমগী এম পি সসি থরুরনা লোক সভাদা কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা ওইনা থৌ পুনবা হোৎনরকখি। অদুবু মঙারক হন্না মীখলদা মায় পাল্লকখ্রবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চৌধুরিদা ফম অসি পায়হন্নবা মেম্বর অয়াম্বনা য়ানবা পুরকখি।

ঙসিগী মীফমদা পার্টিনা লোক সভাগী স্পিকর খনবগী মতাংদসু ৱারী শান্নখি। বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা রাজস্থানগী এম পি ওম বিরলাবু স্পিকর ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপদা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী অয়েৎপা অমত্তা পীদনবা ৱারেপ লৌখি।

হৌখিবা নুমিৎ নীনিরোম প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ওপোজিসনগী তোঙান-তোঙানবা লুচিংবশিং উনদুনা লোক সভাগী স্পিকর খনবগী মতাংদা ৱারী শান্নদুনা লাকখিবনি।

# অযোধ্যাদা এটেক চথুরকখিবগী কেসতা মীওই ৪ পুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা ৱ্রায়েল পীখ্রে



প্রয়াগরাজ, জুন ১৮ (এজেন্সী):
চহী ১৪গী মমাঙদা উট্টর প্রদেশকী অযোধ্যাদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকখিবগী মতাংদা প্রয়াগরাজগী স্পেসল কোর্ট অমনা ৱায়েল চথুরবা মতুংদা মীওই ৪ পুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা য়াথং পীখ্রে। থৌদোক অসিদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অমা মরাল লৈতে হায়না কোর্টনা থাদোকখি।

কুমজা ২০০৫গী জুলাই ৫দা টেররিষ্টশিংনা য়েৎনরিবা রাম জন্মভুমি-বাবরি মসজিদতা মতম খরগী ওইনা শেমগৎপা লাইশঙদা এটেক চথুরকপদা হায়দোরকপা মরুনা পানবা মীচম অনী শীখিবনি। পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেররিষ্টগ্রুপ অমনা য়েৎনরিবা অযোধ্যাগী রাম জন্মভুমি-বাবরি মসজিদতা এটেক চথুনবা থৌরাং লৌৎলকখিবনি।

টেররিষ্টশিংনা লাই খুরুম্বা লাকপা মীওই শারগা জিপ অমা তোংদুনা লাক্লগা য়েৎনরিবা মফম অদুমক্তদা বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক চথুখি। মফম অদুদা মতম খরগী ওইনা শেমগৎপা লাইশঙ মনুংদসু রোকেট লোঞ্চর শীজিন্নদুনা এটেক চথুরকখি।

সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা খুদক্তা মফম অদু কোয়শিন্দুনা থল্লগা টেররিষ্টশিং ফানবা হোৎনরুবদা নাকল অনী অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্পরকখি। পুং ১ রোম চুপ্পা নোংমৈ কাপ্পরবা মতুংদা টেররিষ্ট ৫ হাৎপা ঙমখি। থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়না চিংনবা মীওই ৫সু ফাগৎপা ঙমখি।

নাকল অনী অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লবদা সেন্ত্রেল রিজর্ব পুলিস ফোর্স (সি আর পি এফ) কী পার্সনেল ৭ অশোক অপন নংখি। মতুং তারকপদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই ১ উট্টর প্রদেশকী সহনপুরদা ফাখি। অতোপ্পা মীওই ৪না জম্মু এন্দ কাস্মিরদগী ফাখি।

মতম শাংনা কে অসিগী ৱায়েল চথুদুনা লাক্লবা মতুংদা স্পেসল কোর্টকী জজনা অযোধ্যাগী এটেক্তা চেন্নবনি হায়বা মীওই ৪ পুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্নবা খঙহনখি। মরাল লৈরবা মীওইশিংনা লুপা লাখ ২.৪ ফাইন ওইনা থিগদবনি হায়নসু কোর্টনা খঙহনখি। কেস অসি ফাইজবাদতা হান্না ত্রাইয়েল চথুরম্বদগী অকোনবদা অলাহবাদতা ওইনা ত্রায়েল চথুখিবনি।

ফাইজবাদতা কেস অসিগী এক্যুজ ওইরিবা মীওইশিংগী মায়কৈদা উকিল অমত্তা লেপ্লিয়ু য়াখিদবা মরম্না প্রয়াগরাজদগী অলহবাদতা ট্রান্সফর তৌদুনা কেস অসিগী ত্রায়েল চথুরকখি। য়েৎনদুনা লৈরিবা অযোধ্যাগী লমদা রামগী টেম্পল শানবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মায়োক্তা মুস্লিমশিংনা অয়েৎপা পীরকপগা লোয়ননা লাইশঙ মনাক্তা মোস্ক অমসু শাগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

# মহারাষ্ট্রদা ওপোজিসন লিদরশিংনা লৌমীগী লোন কোকপীনবা খোঙজং চঙশিনখ্রে



মুম্বাই, জুন ১৮ (এজেন্সী):
মহারাষ্ট্রদা ওপোজিসন লুচিংবশিংনা লৌমীশিংগী অৱাবা কোকহন্নবগী মতাংদা খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা লৌমীগী লোন কোকপীগদবনি হায়না তকশিনখ্রে।

এসেমব্লীগী নোংজু মীফম চথুরিঙৈদা ওপোজিসন এম এল এশিংনা থংন-থংননা নীনি শুবা নুমিৎতা ঙসি খোঙজং চঙশিনখিবনি। এসেমব্লীগী কমপ্লেক্স মনুংদা খোঙজং চঙশিনখিবশিংগী মনুংদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা পৃথিবীরাজ চৱন অমদি বালা সাহেপ থোরাত লোয়ননা নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী অজিৎ পৱার অমদি ধনঞ্জয় মুন্দে য়াওখি।

ষ্টেট অসিদা লৌমীশিং মায়োক্ন রিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা লৈঙাক্না মতিক চাবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎপীদ্রে হায়না ওপোজিন লুচিংবশিংনা খোল্লাও কয়া লাউখি। ষ্টেট লেজিসলেটিব কাউন্সিলদা ওপোজিন লিদর ওইরিবা ধনঞ্জয় মুন্দেনা হায়খি, মহারাষ্ট্রদা হৌজিক ইকং থোকপা মরম্না লৌমীশিং অৱাবা তারে। লৈঙাক্না লৌমীশিংগী লোন কোকপীনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

লৌমীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা থৌরাং লৌৎলক্তবা তারবদি হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়ানা মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাক ওইরগনি

ন্যু দিল্লি, জুন ১৮ (এজেন্সী):
কুমজা ২০১৭তা ইন্দিয়ানা চাইনা নমথরল্লগা মালেমদা মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাক ওইরগনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্স পোপুলেসন রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱর্ল্ড পোপুলেসন প্রোসপেক্ট ২০১৯ হায়না মীংথোনবা রিপোর্ট অমনা কুমজা ২০১৯দগীনা কুমজা ২০৫০ ফাওবদা ইন্দিয়াগী মীশিং মিল্লিয়ন ২৭৩ হেনগৎলক্লগনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা ইন্দিয়াগী অপুনবা মীশিং বিল্লিয়ন ১.৫ য়ৌরকপগা লোয়ননা চাইনাগী ওইনদি বিল্লিয়ন ১.১দা লৈহৌরগনি হায়নসু রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মথংদা মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা অতৈ লৈবাকশিংদি নাইজেরিয়া (মিল্লিয়ন ৭৩৩), য়ুনাইটেদ ষ্টেটস (মিল্লিয়ন ৪৩৪) অমসুং পাকিস্তান (মিল্লিয়ন ৪০৩) নি। য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়ামী অপুনবা মীশিং বিল্লিয়ন ১.৩৭নি। চাইনাগীনা বিল্লিয়ন ১.৪৩নি।

চহী অসিগী তঙ্খাই চল্লকপদা মালেমগী ওইনা অপুনবা মীশিং বিল্লিয়ন ৭.৭ য়ৌরে। কুমজা ২০৩০দা মালেমগী অপুনবা মীশিং বিল্লিয়ন ৮.৫ য়ৌরবা য়াই হায়না থাজনরি। কুমজা ২০৫০দা মালেমগী অপুনবা মীশিং বিল্লিয়ন ৯.৭ অমসুং কুমজা ২১০০দনা বিল্লিয়ন ১০.৯ য়ৌরগনি হায়রি। মালেমগী ওইনা মীশিং হন্থরক্কদবা লৈবাক ৫৫গী মনুংদা চাইনাসু য়াওরি। কুমজা ২০১৯দগীনা কুমজা ২০৫০ ফাওবদা চাইনাগী মীশিং মিল্লিয়ন ৩১.৪ হন্থরক্লগনি হায়রি।

# পার্টি লুচিংবশিংগী মীফমদা মমতা বেনর্জি য়াওররোই

কোলকতা, জুন ১৮ (এজেন্সী):
হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা পোলিটিকেল পার্টি অপুনবগী মীফমদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি শরুক য়ারোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা "ৱান নেসন ৱান ইলেক্সন"গী মতাংদা খন্ননবা পোলিটিকেল পার্টি পুম্নমক্কী ওইবা মীফম অমা কৌখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবী মমতা বেনর্জিনা হায়খি, য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অসি নোংমা খক্তদা খন্নবা ঙম্লোইদবা মরম্না হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মীফমদা শরুকয়াবগী কান্নবা লৈরোই। ওপোজিন পার্টি অয়াম্বনসু লৈবাক অসিদা লোক সভা অমদি এসেমব্লীগী মীখল পুন্না পাঙথোকপগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবনি। অদুম ওইনমক প্রাইম মিনিষ্টরনা শীন্দুনা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা ওপোজিসন পার্টি অয়াম্বা শরুক য়াগনি। ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী ওইনদি মীফমদা য়াওবা ঙম্লরোই হায়না ফোঙদোকখি।

পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যেস মিনিষ্টর প্রলহাদ জোসিদা থাখিবা চেরোল অমদা মমতা বেনর্জিনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টরনা হিরম অসিগী মতাংদা হ্বাইট পেপর অমা হান্না পুথোকপা মথৌ তাই।

# কাস্মিরদা টেররিষ্ট ২, জৱান ১ শীখ্রে

স্রিনগর, জুন ১৮ (এজেন্সী):
জম্মু এন্দ কাস্মিরগী অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্ততা থোকখিবা খুৎ থোক্নবগী থৌদোক অমদা টেররিষ্ট ২ অমসুং জৱান অমা শীরে হায়না পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

সাউথ কাস্মিরগী বিজবেহরা এরিয়াদা খুৎলায় মতিক চানা পায়বা টেররিষ্ট খরা লৈরে হায়বা পাউ অমা ফংবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ঙসি অয়ুক মফম অদু কোইশিন্দুনা থিবা-হুম্বগী থবক চথুরি। লোৎতুনা লৈরম্বা টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনসু খুৎ হন্দুনা নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি। ঙরাংসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অচবাল এরিয়াদা থোকখিবা খুৎ থোক্নবগী থৌদোক অমদা আর্মিগী মেজর অমা শীখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা পার্সনেল ২ অশোক অপন নংখি। টেররিষ্টশিংনা আই ই দি শীজিন্নদুনা আর্মিগী পেট্রোল পার্টি অনীদা এটেক চথুরকখিবনি।

# ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ডাক্তরশিং খোঙজং হন্দোক্তুনা হান্নগুম মথৌ পাঙথোকপা হৌখ্রে



কোলকতা, জুন ১৮ (এজেন্সী):
চয়োল অমরোম খোঙজং চঙশিন্দুনা অনা লায়েংগী থবক থৌরমদা চাওনা অপনবা থোক্লুরবা মতুংদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী জুনিয়র ডাক্তরশিং মহৌশাগুম মথৌদা অমুক হঞ্জিনখ্রে।

ষ্টেট অসিগী মেদিকেল কোলেজ ১৪দা আউটদোর ফেসিলিটি, পেথোলোজিকেল য়ুনিট অমসুং অতৈ দিপার্টমেন্টশিং হান্নগুম মথৌ পাঙথোকপা হৌরে। জুনিয়র ডাক্তরশিংনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবগী মতাংদা মরু ওইবা মরম অমা ওইরিবা নিল রতন সরকার (এন আর এস) মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটাল য়াওনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী লায়েংশঙ খুমিংক্তা মশিং য়াম্লবা অনাবশিংনা মশা মশাগী লায়না লায়েংবা লাকখি।

জোইন্ট ফোরম ওফ জুনিয়র ডাক্তর্সকী স্পোক্স পার্সন অমনা হায়খি মদুদি, হোস্পিটাল পুম্নমক্তা জুনিয়র ডাক্তরশিংনা হান্নগুম মথৌ পাঙথোকপা হৌরে। লৈঙাক্না ৱারী শান্নবদা য়ানবা পুরকপদগী হোস্পিটাল পুম্নমক হান্নগুম মথৌ পাঙথোকখিবগা লোয়ননা জুনিয়র ডাক্তরশিংসু অনা লায়েংবগী থৌরাং লৌখৎপা হৌখিবনি। জুনিয়র ডাক্তর কয়ামরুম কোলকতাদা লাত্তুনা খোঙজংদা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ডাক্তর অমদি হোস্পিটালদা মথৌ পাঙথোক্লিবা মীওই পুম্নমক খুদোংথিবা নংহন্দনবা লো অমা পাস তৌগদবনি হায়না তকশিনখি।

এন আর এস মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদাময়াম্বা লায়েংলিবা অরিফ উল হক কৌবা মালদাগী মীওই অমনা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি, ডাক্তরশিংনা থবক লেপ্পগী খোঙজং হন্দোকখিবা হায়বসি মীচম মীয়ামগীদত্তংদি লাইবক ফবনি।

মমাঙ চয়োলদগী হৌনা জুনিয়র ডাক্তরশিং খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মরম্না মীয়ামদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লুহনখি। চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগা উনদুনা ৱারী শান্নবদা য়ানবা পুরকপদগী ডাক্তরশিংনা খোঙজং হন্দোক্লগা অমুক হন্না মথৌ পাঙথোকপগী ফিভমদা লাকখিবনি।

ꯈꯨꯟꯅꯥ/TRAIN YOUR CHILD BRAIN
MID BRAIN ACTIVATION COURSES
(A Life time gift to your child)
Develop your Child's 6th Sense, Nobody Become A Genius by Luck. We Create Leader for the future Make your Kids the Most 'Unique'.



জপানগী Technology অমগী মতেংনা পাঙথোকপা Mid Brain Activation Workshop/Training অসিনা অদোমগী অঙাংবু ৱাখল লৌশিং থৌহনবা, অফবা লমচৎ শাজৎকা লোয়ননা লাইরিক লাইশুদা মীথোই মীহেনবা, পুন্সিদা অচৌবা মায় পাকপা অমা শোয়দনা ওইহনবা ঙমগনি। ঙসি ফাওবদা মীথোই মীহেনবা অঙাং মশীং থিঙমদনা পুথোকখ্রবা, Sunday খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা কোর্স অসিদা অদোমগী অঙাংসু য়াওহনবীনবগীদমক Book তৌবিহৌরো। অকক্লবা সিট মশীংনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক কোল তৌবীরকউ।

100% Guarranty

Please contact:
Narajit Moirangthem, Midbrain Master
Genius Mind Tech. Imphal
☎ 8787562714 / 9862287481
Website :- www.gmtmanipur.in
Facebook : gmt imphal.
HL-P/3039/19,21

EARN AND LEARN
A Delhi based International Organization is looking for young, hardworking people.
An interview will be held in Classic Hotel Imphal.
Required: Fresher, 12 pass and above and good English
Please call at 8130445632 to fix your appointment
HL-B/5455/9,11,13,15,17,19,21

নুঙশং (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



নুঙশংগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- নুঙশং পেরে, কক্লাই, পোম্বা-তঙবা, অমাংথোঙ নাম্থবা, চেকখাইবা, হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, মরেং মরেং চৎপা, চক চক থিনবা, তিল লৈবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মচুম তাবা, ঈ তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, চনপ চনপ লাউবা, মনুংদা পোম্বা, হেমোরোইদ, মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, পিক্না মরী অমা ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা শাবা, মপান অকোয়বদা থাগৎপা, ফ্রা ফ্রা লাউনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্লগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা চঙদ্রবা (পদ্রাক পদ্রাক তারবা), লিভর চাউথোকপা অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - Naorem Ibomcha Meitei
Heingang Awang Leikai, Saya Club, Imphal East - 795002,
P.O. Mantripukhri, P.S. Heingang #8014023792
HL-P/4317/13-27

Study MBBS in India
Oldest & trusted medical GUIDANCE
Direct admission Top Pvt. Medical College Recognised by MCI at law package
Package 40 lacs to 75 lacs
- Karnataka (Banglore, Manglore, Shimoga, Tumkur, Sullia, Chitradurga, Kolar).
- Uttra Pradesh (Delhi NCR, Lucknow, Kanpur, Mathura, Agra, Meerut, Noida)
- Rajasthan (Geetanjali, NIMS, Pacific)
- Chennai (Pondicharry)
- Pune, Navi Mumbai (Dy Patil, Bharati Vidyapeeth, KIMS)

Aboard MBBS:
# Bangladesh; # Kyrgystan; # Nepal.
BDS, BAMS, BHMS, BCA, Vety Engg, Nursing, Mgt, Agri, Tech. etc.
HUMAN RESOURCE CENTRE
Keishampat Top Leirak, Opp. Sanaleibak Daily News paper, Imphal
Help Line No: 9402938178 / 8794758218
(HL-P/6198/10/5-7/7 (alt

BUMPER DISCOUNT SALE
- UNIFORM WHITE SHIRTS HALF/FULL - 150/- ONLY
- KIDS FULL/HALF CASUAL SHIRTS - 150/- ONLY
- KIDS HALF T-SHIRT (ALL SIZES) - 150/- ONLY
- GIRLS FROCKS (ALL SIZES) - 150-250/- ONLY
- GIRLS JEANS PANT - 295/- ONLY
- GENTS FULL/HALF SHIRTS (OLD STOCK) - 250/- ONLY
- GENTS KURTA - 150-295/- ONLY

AND MANY MORE ITEMS ARE AVAILABLE ON 25% TO 50% DISCOUNT.
NEW FRESH STOCK IS ALSO AVAILABLE
ONLY AT :- BRIGHTWAYS
THANGAL BAZAR, IMPHAL WEST
(HL-B/5380/8-30 (alt

CSC City Study Circle
Sangaiprou Mayai Leikai, Airport Road, Opp: Life Style Fitness Gym
CONGRATULATIONS SUCCESSFUL CANDIDATES IN HSLC EXAMINATION-2019
ROLL OF HONOUR
13th POSITION



Best Wishes: Managing Board Members, Teaching & Non-Teaching Staffs
FORM AVAILABLE
Limited Seats First Comed First Serve
Attached Hostel Facilities
20th FOUNDATION COURSE
STARTS : 27th JUNE, 2019
11th REVISION COURSE, STARTS : 5th DEC. 2019
Office Hour : 10 am. to 5 pm.
For Details Contact : 8729914669 / 6909614910
Motto : Learn more fulfil your dreams
Manipuri Classes for IX & XI (Gram. & Writing Skills), X & XII Foundation and Revision Course, BOSEM, COHSEM, CBSE. Timing : Sundays and Holidays ( Morning and Evening)
(HL-B/5425/31/5-29/6(alt

STUDY MBBS/MD IN ABROAD
BANGLADESH, CHINA, KAZAKHSTAN, KRYGYSTAN, PHILIPPINES, GEORGIA SOUTH AMERICA, UKRAINE, RUSSIA
Admission for B.Sc. Nursing / GNM/ PBBSc./ Engineering/ B Pham.
Note: Enroll B.Sc. Nursing at Hyderabad @ Job Opportunity at Singapore
5th Gateway Abroad International Education Expo . On 16 & 17 June 2019 At Lamyanba Sanglen , Near City Convention Centre, Konung Mamang.
Special Coaching Classes for ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY, CHINESE AND BENGALI WILL START FROM 20 JUNE 2019.
Plz Contact : Atawar Rahman, A.S.EDUCATION TRUST (JR INTERNATIONAL EDUCATION CONSULTANT) Khergao Thambalkhong, Near old Cambridge School , Imphal East, Manipur.
Branch Office
M.G. Avenue Opp- Nirmala Hotel , Imphal West, Manipur.
Contact No: 8974084294,8415930785,9615706900, 8974249895
HL-B/5483/15-30june/1-14july